# জেসামি-মেলোরিগী ঙমখৈদা সিআরপিসিগী অথিংবা থমখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ঃ মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা উখ্রুলগী জেসামি খুঞ্জাশিংগা নাগালেন্দগী ঙমখৈদা লৈরিবা মেলোরি খুলগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা ঙমখৈগী চয়েৎনবগা মরী লৈননা উংখৎনরকখিবা অদু মপুং ফানা লাকশিন্নবগীদমক নাকল অনিগী ওইবা মীফম অমা ফমদুনা ঙমখৈদা সি আর পি সিগী মখাদা অথিংবা থম্না য়াওনা হিরম অহুমদা য়াশিন্নবা পুরকখ্রে হায়রি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা জেসামি-মেলোরি খুঞ্জাশিংগী মরক্তা লৈনরক্লিবা উংখৎনবগী ফিবম অদুনা মরম ওইরগা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক ঙসি জেসামিগী লাই থোংদা মীফম অমা পাঙথোকখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা উখ্রুলগী ডিপ্যুতি কমিস্নারগী ইন-চার্জ পুরিবা এস ডি ও উখ্রুল, ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পি কে কবিব অমদি এস ডি পি ও উখ্রুলনা শরুক য়াখি। অদুগা নাগালেন্দগী মায়কৈদনা ফেক ডিষ্ট্রিক্ট ডিপ্যুতি কমিস্নারনা শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা জেসামি-মেলোরি অনিগী ঙমখৈদা মতম খরাগী ওইনা সি আর পি সিগী ধরা ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমদুনা মীওই মঙাদগী হেন্না খুল অনিগী মীওইশিং পুনবা য়াদবা হায়না লেপ্পখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অনি অসিবু শম্নরিবা থোং অসি নাকল অনিনা লান্থোক-লানশিন তৌবদা নাকল অনিগী খুঞ্জশিংনা মখল অমত্তগী অথিংবা পীদবা অমদি ৱাথোক ওইখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা নাকলগী অনিগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা 'য়াশিন্নবা মীফম' অমা মে ৩ দা পাঙথোকপা হায়না য়াশিন্নবা পুরকখ্রে হায়নসু প্রেসনা মফম অদুদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

অমরোমদনা জেসামি অমসুং মেলোরি খুল অনিগী মরক্তা চাওনা উংখৎনরিবা অদুগা অমরোমদনা জেসামি মীয়াম্না মখোয়বু সরকারনা ঙাক-শেন্নবা থৌরাং অমত্তা পায়খৎতে হায়না পেন্নদ্রিবা কয়া অদু য়েংশিল্লুনবা চীংঙাই কেন্দ্রগী এমএলএ এম কে প্রেশো সিমরে অমসুং মণিপুর পুলিসকী আইজি এলও থ্রি অসুতোস, হৌজিক হৌজিক জেসামিদা ষ্টেসন তৌদুনা লৈরি। হয়েং জেসামি ভিলেজ ওথোরিটি য়াওনা মীফম পাঙথোক্তুনা মখোয়গী সেক্যুরিটিগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।